মপানগী পাউ

স্পেনগী ওবিদো মনুং চনবা মিয়র্স মনাক্তা পাঙথোকপা ষ্ট্রাইক মনুং অমদা খনিগী শিন্মী অমনা সান্টিয়াগো খনিগা থংনবা লম্বী অমা থিংজিল্লিবা মৈ চাক্লবা পল অমগী মৈরী হেনগৎহল্লি।

ইজরেলগী ঙমখৈ পরিংদা এটেক চখ্খরকপদা সিভিলিয়ন অমা, মিলিটেন্ট অমা শিরে

টেল অবিব, জুন ১৮ঃ ইজরেল অমদি ঈজিপ্টকী ঙমখৈ পরিং মনাক্তা নোংমৈ কাপ্নখিবগী থৌদোক্তা ইজরেলগী সিভিলিয়ন অমদি মিলিটেন্ট অমা শিখ্রে হায়না ওফিসিএল ওইবা পাউগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

ইজরেলগী ঈজিপ্টকা ঙমখৈ পরিং অদুদা সেক্যুরিটিগী শম্বল খাবগী থবক শুরিবা কাঙবুশিং তম্না গনমেন অদুনা এটেক চখ্খরকখিবনি হায়না ইজরেল মিলিটরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লি।

থৌদোক অসিদা ৱার্কর অনী অশোক অপন নংখিবা লৈখিদবনি অদুনা অমনা লৈখিদবনি হায়না ইজরেলগী মেদিয়ানা ফোঙদোক্লি।

ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্টর ইহুদ বরাকনদি চখ্খরিবা থৌওং অসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা অয়েৎপা-অপনবা পীবা অমনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লি।

ঈজিপ্টকী ঈরাং কল্লবা সিনাই পেনিন্সুলাদগী গনমেন অদুনা ইজরেলগী খা থংবা লমদম অদুদা চঙশিল্লগা এটেক অদু চখ্খরকখিবনি। শম্বল খারিবা জগা অদু তম্না টেরোরিষ্ট স্কৱাদ নোংমৈ কাপশিল্লকপগা লোয়নননা এন্টিটেঙ্ক কাপশিল্লকখিবা লৈখি হায়না মিলিটরিগী স্পোক্সমেন অদুনা ফোঙদোক্লি।

থৌদোক থোকফম অদুদা খুদক্তা ইজরেলগী লান্মীশিং থুংলখিবগা লোয়নননা টেরোরিষ্ট অমদি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাবগী চখ্খরিবা থৌওংশিং অদু য়ৈখায় থিনগায়বা পীনবগীদমক্তা এটেক অদু চখ্খরকখিবনি। এরিয়া কোয়শিন্দুনা থমখ্রে। লান্মীশিং অদুনা জগা অদুদা মিলিটেন্টশিং লোত্তুনা লৈরিব্রা হায়বদু য়েংনবগীদমক্তা থিবা হুম্বগী থবক য়াম্না কন্না চখ্খরি।

হৌজিক জগা অদুদা য়ামদ্রবদা টেরোরিষ্টকী মীওই অহুমদগী মরি ফাওবা লোত্তুনা লৈরমগনি হায়বগী থাজবা লৈরি অমদি ঐখোয়না মখোয়শিং অদুবু ফাননবা হোৎনরি।

অহৌবা পোকখায়বগী মখোলশিং তাবদা জগা অদুদা লৈবা মীওইশিংনা মীপাইবা পোক্লখিবা লৈখি। আইলট কোষ্টেল টাওনগী মনাক নকপদা লৈবা মরু ওইবা লম্বীশিং য়াওনা থিংজিন্দুনা থমখিবগা লোয়নননা রোদ ব্লোকনচিংবসু শেমখিবগা লোয়নননা ইনফিলট্রেটরশিং অদুবু ফাননবা হোৎনরি।

এরিয়া অদুগী মনাক নক্না লৈরিবা স্কুলশিংসু অথিংবা থল্লে। মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংসু মীকূপ-নাহুম শিংনা লৈননবা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

মিষ্টর বরাকনদি থৌওং অসি ফিজিকেল টেরর এটেক অমনি হায়বগী ৱাফম থল্লি।

সিনাই দিজার্টতগী ইজরেলগী খা থংবা জগা অদুদা রোকেট এটেক চখ্খরকখিবা পূং ৪৮গী মতুংদা থৌওং অদু চখ্খরকখিবনি।

ঙরাং ইজরেলগী খা থংবা নেগেটতা রোকেট অনী কাপশিল্লকখিবা লৈখি। ঈজিপ্টনসু এরিয়া অদুদা অকনবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি হায়না ইজরেলগী মায়কৈদগী তকশিনবা লৈরিবনি।

হৌজিক ঈজিপ্টকী ইলেক্সনগী রিজল্ট অদু ঙাইহরি। মসিদা খল্লক্তুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইগদৌরিবা মীওই অদুনা ইন্টরনেশনেল কম্যুনিটিদা থাজবা পীখিবা লৈখিবা ৱাফম অদু থবক ওইনা পাঙথোরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। মসিগী মনুংদা ইজরেলগা শান্তিগী একোর্দ অমা চখবা অমদি সেক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টকী থৌওংশিংসু য়াওরিবনি হায়রি।

ঈজিপ্টকী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা ইস্লামিষ্ট মোহমদ মোরসিনা মায় পাক্লগনি

কাইরো, জুন ১৮ঃ ঈজিপ্টতা অহানবা ফ্রী ওইনা পাঙথোক্লিবা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন অসিদা ঈজিপ্টকী মুসলিম ব্রদরহূদকী কেন্দিদেটনা মায় পাকপা তারগসু লৈবাক অসিদা আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা মিলিটরি রুলরশিংনা পায়শিন্দুনা লৈবা ওইবনা জেনরেলশিংনা অসিনা লৈবাক অসিবু মখোয়গী মখাদা কন্ট্রোল তৌনীংবগী অপাম্বা অদু লৈরি হায়না মুসলিম ব্রদরহূদকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

যু এসতা মহৈ-মশিং তম্লকখিবা ইঞ্জিনীয়র অমা ওইরিবা ইস্লামিষ্ট মোহমদ মোরসিনা মমাঙদা এয়রফোর্সকী জেনরেল ওইরম্বা অহমেদ সাফিকতগী মাঙজিল থানা চৎলি। মসিনা মরম ওইদুনা মহাক্না চহী ৬০গী মতুং অসিদা ঈজিপ্টতা অহানবা সিভিলিয়ন লুচিংবা অদু ওইরগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরে। অদুমওইনমক, ওফিসিএল ওইনা রিজল্ট অদু ফাইনেলাইজ তৌবমক্তি লৈত্রি।

অদুম ওইনমক, অনৌবা প্রসিদেন্ট অদু মতম খরদি মিলিটরি কাওন্সিলগী মখাদা লৈবা তারি।

হৌখিবা চহীদা মীয়ামগী ঈহৌ চঙশিল্লকখিববু নমথনবগীদমক্তা মুবারককা নক্না লোয়নরম্বা মিলিটরি ওফিসরশিংবু তাম্হোকখিবা ফাওবা লৈখিবনি।

হৌজিক ঈজিপ্টতা ওইরক্লিবা ফীভম অসি রিভোলুশনদগী দিমোক্রেসিদা চঙশিল্লক্লবগী অরুবা তাঞ্জা অদুনি। নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্লকখিবা ইলেক্সন মতম অদু নোংমাইহৈজিং নুমিৎতা লোইশিনখিবগা লোয়নননা সুপ্রিম কাওন্সিল ওফ আর্ম ফোর্সেস (এস সি এ এফ) তগী দিক্রি অমা ইস্যু তৌখিবা লৈখিবনি। মসিনা ষ্টেটকী লুচিংবশিংগী শক্তি অদু ষ্ট্রিক ওইবা লিমিট লৈরগনি।

ঈজিপ্ট ইলেক্সন অদু পাঙথোক্লমদাইগী মতমদসু ইস্লামিষ্টনা লুচিংবা পার্লিয়ামেন্ট অদু দিজোল্ভ তৌখিবা লৈখিবনি।

লিবরেল অমদি ইস্লামিষ্ট ওপোনেন্টশিংনদি মিলিটরি কূবু য়াম্না কন্না য়ানীংদবা লৈরিবনি।

ঈজিপ্টতা ফ্রিদম অমদি দিমোক্রেসিগী লম্বী অমা লাকপসিদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হরাও নুংঙাইবা পোক্লি। ঈজিপ্টকী তুংগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবগীদমক্তা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা থবক তৌমিন্নবগী তঙায়ফদবা অদু লৈ।

লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা মায় পাক্লগদবা মোহমদ মোরসি পোলিটিকেল প্রিজনর ওইরম্বা মীওই অমনি।

ইস্লামিক ব্রদরহূদকী সপোর্টর চা-কয়া'মনসু মীখলদা মায় পাক্লগনি হায়বগীদমক্তা ফিৱালশিং পায়রদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লি। মখোয়শিং অদু মতম শাংনা জেলদা লৈরুবা অমদি ওৎপী-নৈবীবগী অৱাবা মায়োক্লরবা মীওই ঙাক্তনি।

ঈজিপ্টকী ঈরাং হৌরকখিবা মফম ওইরিবা টেহরির স্কৱার জগাদা মীওইশিং অদু পূন্দুনা হরাও তয়াম্বা অদু ফোঙদোক্লি।

ঙসিদগী থা তরুক্কী মমাঙদা ঈজিপ্টকী সেন্ট্রেল কাইরোদা লৈরিবা টেহরির স্কৱারদা মীয়ামগী ঈহৌ হৌরকখিবদগী চহী ৩০ রোম হেন্না সাশন তৌদুনা লাক্লবা মুবারকপু মফমদগী তাম্হোকখিবা লৈখিবনি। হৌজিক্তি ঐখোয়না মিলিটরি রুলদগী নাম্হোত্তুনা নীংথিনা সাশন তৌবা লৈবাক অমা ওইরগনি হায়বসিদা থাজবা লৈরে। মসিগী-দমক্তা ঐখোয়না ঈশ্বরবু থাগৎচরি হায়না হায়রি।

অমরোমদা, মুবারককী মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমখিবা সফিকনদি মীখল অদুদা মহাক্না মায়থীরে হায়বসি য়ানীংদবগা উৎখিবগা লোয়নননা ইলেক্সনদা হায়জেক তৌবদগী মোহমদ মোরসিনা মায় পাকখিবনি হায়বগী ৱাফম অমা মখোয়গী সপোর্টরশিংনা ফোঙদোকপা লৈরি।

হৌজিক্তি ঐখোয় মীওৎপগী লৈঙাক সাশন্দগী নাম্হোকপা ঙল্লে। লৈবাক অসিদা ঐখোয়না নীংখা তম্না হিংবা ঙম্লগনি অমদি মীফা মীপূনগী থবক থৌওংশিং লৈররোই। রিভোল্যুশন মায় পাক্লবনিনা লৈবাক অসিদা মনীং মখা তম্না হিংবা ঙম্লগনি হায়নসু ইস্লামিক ব্রদরহূদকী সপোর্টরশিংনা ফোঙদোক্লি।

সাওথ চাইনা সীদগী ফিল্লিপ্পিন্সকী জহাজ অনী হন্দোকখ্রে

বৈজিং, জুন ১৮ঃ ফিল্লিপ্পিন্সনা ৱাথোক ওইরিবা চাইনা সীদগী লালগী জহাজ অনী হাংদোকখ্রবা মতুংদা চাইনানা লমদম অদুদা মখা তানা উংখৎনবগী লৈরিবা থৌওংশিং অদু কোকহল্লগনি হায়বগী থাজবা ৱাফম অমা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনা লৈবাক অসিনা সাওথ চাইনা সীগী লমদম অসিদা ফিল্লি-প্পিন্স, ভিএটাম, ব্রুনৈ, মালেসিয়া অমদি টাইৱানগা টেরিটোরিএলগী ওইনা য়েৎনদুনা লৈরিবনি।

মফম অদুদা লৈবাকশিং অসিনা গ্যাস অমদি ওইল থিবগী থৌরাংশিং থিবগা লোয়নননা লালগী জহাজশিং থৌজিল্লত্তুনা মিলিটরিগী খূৎপু শাগৎতুনা লৈরিবনি।

ফিল্লিপ্পিন্সনা মখোয়গী লালগী জহাজ অনী মফম অদুদগী হন্দো-কখিবা লৈখিবা অদুনা লৈবাকশিং অসিগী মরক্তা বাইলেটরেলগী কোওপরেশন পীনদুনা উংখৎনবগী থৌওংশিং অদু হঙ্গরকপা ঙমগনি হায়বগী ৱাফম অমা চাইনীজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ওইরিবা হোং লৈনা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা ফোঙদোক্লি।

ঐখোয়না ফিল্লিপ্পিন্সপু পূক্নিং ফাদুনা লৈগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ৱাফম ফোঙদোক্লি। চাইনাগী ফিশিং বোটশিং অদুসু এরিয়া অদুদগী হল্লকখ্রে। মরমদি মফম অদুদা হৱা-নুংশিৎকী ফীভমসু য়াম্না ফত্তবননি হায়রি। ফিল্লিপ্পিন্সনসু মখোয়গী জহাজ হন্দোকখিবা অদুসু মফম অদু হৱা-নুংশিৎকী ফত্তবদগীনি হায়রি।

য়েমেনদা আর্মি কমান্দর অমা সুইসাইদ বোম্বিংদা হাৎখ্রে

সানা, জুন ১৮ঃ য়েমেনদা লৈবাক অসিগী খা থংবদা মিলিটেন্টশিং লাম্হেংনবদা লুচিংলিবা আর্মি কমান্দর অমা সুইসাইদ এটেক চখ্খরকখিবদা হাৎখ্রে হায়না ওফিসিএল ওইবা পাউগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

জেনরেল সালেম আলি কাতমবু পোর্ট সিটি ওইরিবা আদেনদা এক্সপ্লোসিভ বেল্ট ফাবা মীওই অমনা সুইসাইদ বোম্বিং চখ্খরগা হাৎখিবনি।

হৌজিক লৈবাক অসিনা অল-কাইদাগা মরী লৈনবা মিলিটেন্টশিংগা অকনবা লাম্হেংনবগী থৌওং অমা চখ্খরিবনি।

লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্কী অয়াম্বা লমদমশিংদা অল-কাইদাগা শম্নবা মিলিটেন্টশিংনা কন্ট্রোল তৌশিনখিবা লৈখ্রে।

হন্দক্তা আর্মিনা চখ্খরকখিবা ওফেন্সিভ অমদা অবিয়ান প্রোভিন্সকী জগাদা মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরম্বা কয়া'মা ফাগৎখিবগী থৌওং লৈখ্রবনি।

মতৌ করম্না সুইসাইদ বোম্বিং অদু চখ্খরকখিবনো হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। এটেকের অদুনা জেনরেল কাতম তম্না চঙশিল্লক্লগা বোম্বিং অদু চখ্খরকখিবনি।

মহাক্না ওফিসি চৎনবগীদমক্তা শেম-শাখিবা মতমদা চেপীবা শাদুনা চঙলক্লগা মখূৎ শোক্লখিবা লৈখি। মসিগী মতুং তারকপদা এক্সপ্লোসিভ অদু পোকখায়রকখিবনি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমদদি সুইসাইদ বোম্বর অদুনা জেনরেল অদুগী কার অহুমগী কনভোয় অদুদা চোংশিল্লকখিবনি হায়রি।

চখ্খরকখিবা এটেক অদুদা মীওই মরি অমদি অশোক অপন নংখিবা লৈখ্রে। য়েমেনগী নৌনা খনবা প্রসিদেন্ট অবদ্রা বুহা মন্সর হাদিনা ওফিস হেক পায়খিবা মতুং ইকান কানদনা জেনরেল কাতমবু এপোইন্ট তৌখিবনি।

সেনিয়র আর্মি কমান্দর ওইরিবা অমদি জেনরেল কাতমগা নক্না লোয়নবা আলি মন্সুরনদি জেনরেল অদুনা শিখিবা অদুনা য়েমেন লৈবাক অসিগী ওইনা য়াম্না চাউনা মাঙজবা অমনি হায়না ফোঙদোকপা লৈরি।

হন্দক্তা নৌহৌননা ইন্সর্জেন্টশিং থেংনবদা মায় পাকপগী থৌওং অমা হেনগৎলক্লিবা অসি জেনরেল কাতমদা মদুগী ফুল ক্রেদিট পীনিংই হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি। থা অহুমগী মতম অসিগী মনুংদা কাতমনা মরু ওইবা প্রোগ্রেস পাঙথোক্লে। মহাক্না মিলিটেন্টশিংনা খুদুম লৈবাক অসিগী জগা কয়া'মবু অমুক হন্না লৌশিনবা ঙমখ্রবনি।

লাম্মীশিংনসু মিলিটেন্টশিংদগী ফাগৎলকখিবা মশীং য়াম্লবা এক্সপ্লোসিভশিং থুগায়নবা শেম-শারে। অবিয়ান প্রোভিন্সতগী ফাগৎলকপা মিলিটেন্টশিংগী এক্সপ্লোসিভ কয়া'মসু থুগায়বগী থৌওং চখ্খরি।

আর্মিনা মিলিটেন্টশিং অদুবু মায়থিবা পীরে হায়না হায়বা লৈবা তারগসু মিলিটেন্টশিং অসিনা অদুমক এটেক তৌবা ঙম্বগী শক্তিদি লৈরিবনি।

অল-কাইদাগা মরী লৈনবা ইন্সর্জেন্সি অমদি তোখায় তাবগী ঈহৌ চঙশিল্লিবা অসিনা লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা চহী কয়াগী মতম অসি ঈরাং থোক্তুনা লাক্লিবনি।

হৌখিবা চহীদা মমাঙদা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা আলি অব্দুলাহ সালেগী মায়োক্তা ঈহৌ চঙশিল্লিঙৈ মতমদা লৈবাক অসিদা চরাংনবা থোকপগী তাঞ্জা অদু লৌরগা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংনা অবিয়ানবু খুদুম চনশিলহৌখিবনি।

য়েমেনগী লান্মীনা চখ্খিবা ওফেন্সিভতা সুক্রা, জিনজিবর অমদি জার টাওননচিংবা মফমশিংবু অমুক নৌহৌননা খুদুম চনশিনখিবা ঙমখিবনি।

মরক অসিদা ইস্লামিষ্ট অন্সর অল সারিয়ানা অজানগী জগাদগী মপূং ফানা হন্দোকখিবা লৈখ্রে হায়রি। মফম অসি অবিয়ানগা লোয়্না সবৱা প্রোভিন্সকী মনুং চল্লিবা জগানি।

অন্সর অল-সারিয়া হায়রিবা লুপ অসি অল-কাইদা ইন দি অরাবিয়ন পেনিন্সুলা (এ কু এ পি) গা লিঙ্ক লৈনবা কাঙবুনি।

গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংনা অজানগী জগা অদুদা হন্দক্তা নৌহৌননা লান্দাশিল্লকখিবা লৈখ্রবনি। প্রাইভেটলি ওইনা চল্লাইবা য়েমেনি ন্যুজ পেপর *অখবর অল-য়ারম* নদি লোকেল ত্রাইবেল লীদরশিংনা মেদিএশন তৌরকপদগী ফায়টরশিং অদু চংখ্রে ফোঙদোক্লি।

মখোয়শিং অদু চীংগী লমদম ওইনা তৌরিবা সেফ হেভনগী জগাদা হন্দোকখ্রে হায়না থাজবা লৈ। মখোয়শিং অদু মফম অদুদা ত্রাইবেলশিংনা প্রোটেক্সন তৌরি হায়রিবনি।

ম্যান্মারগী বুধিষ্টশিং অমসুং মাইনোরিটি রোহিংয়া মুস্লিম কাঙবু অনি হাংন-শুনরকপদগী লাঞ্জেন্নরকপা রোহিংয়া মুস্লিম নুপাশিংবু বঙ্গালেসি বোর্দর গার্দশিংনা বঙ্গলাদেশকী টকনাফতা লৈবা শাহপোরির দ্বিপকী হিথাংফম অমদা পুরক্লি।

ইরানগী ন্যুক্লিয়র ৱাথোক্কী মীফম মোস্কোদা পাঙথোকপা হৌখ্রে

মোস্কো, জুন ১৮ঃ ইরানগী ৱাথোক ওইরিবা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম অসিগী মতাংদা রসিয়াদা অনৌবা তাঙ্কক্কী ওইনা ৱারী শানবা হৌখ্রে হায়না পাউগী ওইবা সোর্স অমনা ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা থা অনীগী মতম অসিগী মনুংদা বাঘদাদ অমদি ইষ্টানবুলদা ফমখিবা মীফমদা লৈখায় তানবা অমা পুরকপা ঙমখিদবদগী ইরান অমদি মালেমগী শক্তি লৈরবা লৈবাক তরুক্না নুমিৎ নীনি চুপ্পা মীফম অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা যু এন ন্যুক্লিয়র ৱাচদোগনদি ইরানগা ৱারী শানবদা করিগুম্বা খুমাঙ অমত্তা চাওশিনবা ঙমদনা লোইশিনখ্রে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ৱেষ্ট অমদি ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী থৌওং অসি ন্যুক্লিয়র খূৎলায় শানবনি হায়বসিদা চেৎনা থাজবা লৈরি। অদুবু ইরানগী মায়কৈদগীদি ৱাফম অসি য়ানীংদবা উৎলি।

ইরানগা ৱারী শানবদা য়াওগদৌরিবা মালেমগী লৈবাক তরুক অদুদি- যু এস, বৃটেন, চাইনা, রসিয়া, ফ্রান্স অমদি জর্মনিনি।

মমাঙগী থাদা ৱারী শানখিবা মতমদা মালেমগী লৈবাক তরুক্না অখন্নবা ৱারোল অহুম তকশিনখিবা লৈখিবা অদু মোস্কোদা পাঙথোক্লিবা মীফম অসিদসু অমুক নৌহৌননা তকশিনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ৱাফম লৈরি।

মালেমগী লৈবাক তরুক্না ইরানবু য়ুরেনিয়ম পোইন্ট চাদা ২০গী চাংদা এনরিচমেন্ট তৌববু লেপ্পবগী ৱাফম খঙহনবা লৈরিবনি।

মসিগীসু মথক্তা মসিগী চাদা ২০ তৌরবা য়ুরেনিয়ম ষ্টোক পাইল অদু এক্সপোর্ট তৌনবা অমদি হেভিলি ফোরটিফায় ওইরবা কোম সিটি মনাক নক্না লৈবা অন্দরগ্রাওন্দ এনরিচমেন্ট ফেসিলিটি অদুসু থিংজিনবগী ৱাফম তকশিনবা লৈরিবনি। মসিগী খুল্লং লমন ওইনা মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাকশিং অদুনা ন্যুক্লিয়র সেফটি মীজর লৌখৎননবা খোঙথাংশিং মতেং পাংগে হায়বগী ৱাফম ওফর তৌবসু লৈরিবনি।

অদুবু মসিদা ইরাননা মদুনদি মতীক চাবা নত্তে হায়না হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈরিবনি।

ইরানগী ওইনদি লৈবাক অদুগী মথক্তা ৱেষ্টনা থল্লিবা সেঙ্কশনবু লৌথোকহন্নীংবগী অপাম্বা লৈরিবনি। মসিদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ওইল অথিংবা থল্লিবা অমদি যু এসনা ইরানগী সেন্ট্রেল বেঙ্ককী মথক্তা অথিংবা থল্লিবা খোঙথাং অদু লৌথোকহন্নীংবগী অপাম্বা লৈরিবনি।

মসিগী মথক্তা ইরানগী য়ুরেনিয়ম শুংবগী নন-নেগোসিএবল রাইট লৈরিবা শকখঙগদবনি হায়বগী ৱাফমসু তকশিনবা লৈরিবনি হায়রি।

ফ্রান্সকী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা হোলান্দেগী পার্টিনা মেজোরিটি ফংখ্রে

পেরিস, জুন ১৮ঃ ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রাঙ্কোইজ হোলান্দেগী সোসিএলিষ্ট পার্টিনা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা এবসোল্যুট মেজোরিটিগী সীট মতীক চানা ফংদুনা মায় পাকপা ঙমখ্রে হায়না ওফিসিএল ওইবা পাউগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

হৌজিক ফাইনেল ওইবা রিজল্ট লাউথোক্কদবা ৱাৎপা লৈবা তারগসু সোসিএলিষ্ট পার্টি অসিনা সীট মশীং ৩১৩দগী ৩১৫ ফাওবা ফংলগনি হায়না পানরি। মসি নেশনেল এসেমব্লিগী সীট মশীং ৫৭৭ লৈবগী মনুংদা চখ্খরকখিবনি।

মমাঙদা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নিকোলাস সর্কোজিগী যু এম পিনা সীট মশীং ৩০৪ দগী ২১৪ ফাওবদা হঙ্গরকপা য়ানা লৈরি। চখ্খরক্লিবা থৌওং অসিনা প্রসিদেন্টকী টেক্স অমদি স্পেন্দ প্রোগ্রাম অদু শৌগৎলকপগী খুদম-চাংদমশিং ফংলি।

রিজল্ট অসিনা মরম ওইদুনা সোসিএলিষ্ট পার্টিনা সপোর্ট তৌরক্লবগীদমক্তা গ্রীন নৎত্রগা ফার লেফ্টতগী মতেং লৌবা অদু দরকার ওইদ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা সীট মশীং য়াম্না ফংদুনা মায় পাকখিবগী থৌওং অসিনা প্রসিদেন্ট হোলান্দেগী লীচিং মখাদা মীয়াম্না চেৎনা থাজবা লৈ হায়বগী খুদম-চাংদমশিং অদু তাক্লবনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিবা পিররে মোস্কোবিসিনা ফোঙদোক্লি।

নোংমাইহৈজিং নুমিৎকী ভোট অদু পার্ট অনী থোকপা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনগী অনীশুবা তাঙ্কক্কীনি। অদুবু মসিদা ভোট মশীং থাদবগী চাং অদু চাদা ৫৫.৯গী চাংদা তাথনা থোক্লরকখিবা লৈখি।

মমাঙদা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সর্কোজিগী যু এম পিনা মখোয়গী মীখলদা ফংলিবা রিজল্ট অসিনা পার্টি অসিগী চঙশিনখিবা মীখলগী কেম্পেনদা অশোয়বা লৈখিবশিং অদুগী মমি অদু চাউনা তারি।

একজিট পোলগী লাউথোকপা হৌখিবদা ফ্রান্সকী প্রাইম মিনিষ্টর জিনমার্ক আইরাওল্টনসু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না অওন অহোংবা পুরকপা অমা পাম্লে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখিবনি। হৌজিক ঐখোয়না খুদোংথীবা অমা ফীভম অমদা লৈরম্না তারগসু মদু ঐখোয়না কোকহন্নবা হোৎনদুনা ফ্রান্সপু হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমদি শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ৱাফম অদু ফোঙদোক্লি।

খঙজিনবদা কান্নবা

মার্সেল আইলেন্দ

মার্সেল আইলেন্দ সাওথ ৱেষ্ট পেসিফিককী মনুং চন্না লৈরিবা ঈথৎ লৈবাক অমনি। ইং ১৯৯০গী মতমদা লৈবাক অসিনা মনীং মখা তম্বা ঙমখিবনি। ঈথৎ লৈবাক অসিদা আইলেন্দ ৫, এটোল ২৯ অমদি অপীকপা আইসলেট ১১৫০ লৈরি। মীওইশিং অয়াম্বনা ঙা অমদি কোকোনট য়োল্লগা হিংই। ইবেয়ে আইলেন্দসু লৈবাক অসিগী মনুং চল্লিবনি। অদুবু ইং ১৯৪৭কী মতমদা যু এসকী মিসাইল বেজ অমা থম্নবগীদমক্তা ক্বাজালৈন্দদা মীওইশিং অয়াম্বা নম্ফুদা হোংদোকহনখিবা লৈখি। মসিনা মরম ওইনা ইবেয়ে ঈথৎ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদি হোংদোকখ্রে। মার্সেল আইলেন্দগী কেপিটেল সিটি অসি মাজুরো ওইরে অদুগা মসিগী পাক-চাউবা এরিয়াদা স্কৱার কিমি ১৮১নি। লৈবাক অসিগী পোপ্যুলেশন্না ৬৮,১০০ মরু ওইবা লেংগ্বেইজ ইংলিশ অমদি মার্শেলিস ওইরি। মরু ওইবা রিলিজনন্না খৃষ্টাননি, করেন্সিনা যু এস দোল্লর ওইরি।

ওবামানা পুটিনদা জি-২০ সমিটতা উন্নদুনা সিরিয়াগী ৱাথোক্কী মতাংদা তকশিল্লগনি থাজনরি

লোস কাবোস, জুন ১৮ঃ যু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনবু জি-২০গী সমিটতা মেক্সিকোগী লাস কাবোসতা উন্নগদৌরিবা অসিদা রসিয়ানা সিরিয়াগী ক্রাইসিসকী মতাংদা লৌরিবা রোল অদুগী মতাংদা প্রেশ তৌগনি হায়বগী থাজবা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লি।

মসিদা প্রসিদেন্ট ওবামানা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনবু সিরিয়াগী মথক্তা যু এনগী অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী মায়োক্তা রসিয়ানা লৈতনবা থেম্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুবুমদু মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী আশাদি উদে হায়না ওফিসিএল ওইবা সোর্স অমনা ফোঙদোক্লি।

যু এস অমদি রসিয়াগী দিপ্লোমেটশিংগী মরক্তা কোল্ড ৱারগী মওংদা চয়োল অমা চুপ্পা ঙাঙনশক্লখিবা লৈখ্রবা মতুংদা মেক্সিকোদা জি-২০গী সমিট অসিদা লুচিংবা অনী অসি উনদুনা ৱারী শানগদৌরিবনি।

সিরিয়াগী ওইরক্লিবা ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা লুচিংবা অনী অসিনা পূন্না থবক পায়খৎমিন্নবগী য়ানবা অমা পুরক্কদৌরিব্রা হায়বদু য়েংবা তারি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা সিরিয়াদা যু এনগী মোনিটরিং মিশন লেপখিবা অদুগী মতাংদসু লুচিংবা অনী অদুনা উন্নদুনা খন্নরবা য়ানা লৈরি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট ওবামানা পুটিন প্রেশর পীগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

রসিয়াদা ভ্লাদিমির পুটিননা অহুমশুবা টর্মগী ওইনা প্রসিদেন্টকী অসি পায়খ্রবা মতুংদা ইহান হানবা ওইনা ওবামাগা মীটিং অসি চখ্গদৌরিবনি হায়রি।

হৌজিক সিরিয়াদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি সিভিল ৱারলোমদা চঙশিল্লিবা অসি থিংনবগীদমক্তা ওবামানা পুটিনদা খন্ন-নৈনবগী হায়বগী থাজবা লৈরি।

অদুমওইনমক, সিরিয়াগী ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা নাকল অনীগী ওইনা লৈনরিবা মরী অসি ফত্তবনা ৱারী শানবা অদুদা খুমাঙ চাওশিনবা অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বসি থাজবা ৱাৎলি।

মসিগীসু মথক্তা যু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাসু মহাক্কী লৈবাক্কী ইলেক্সনগী অরুবা তাঞ্জা অমা মায়োক্লবা লৈরিবনি। মসিগীসু মথক্তা পুটিননা অমেরিকাগী মায়োক্তা অকনবা য়েংথিবা ৱাহেৱাতা কয়া'মা ঙাঙ-শক্তুনা লাক্লিবশিং অদু কয়া য়াম্না থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগদৌরিবনো ৱাহং হংখিবা লৈখিবনি।

মসিনা মরম ওইদুনা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা এফোর্ট অসিদা চনৈনবা অমা থোকহল্লকপা য়ানা লৈরি।

প্রসিদেন্ট ওবামাগা লম্বা পানগদৌরিবা রিপব্লিকানগী মিট্ট রোমনেনদি রসিয়া হায়রিবা লৈবাক অসি অমেরিকাগী ওইনদি জিওপোলিটিকেল ওইনা নম্বর ৱানদা লৈরিবা য়েক্লবা অমনি হায়না হায়বা লৈরিবনি।

মহাক্কী অকনবা ৱাহে-ৱাতা অদুনা ওবামানা রসিয়াগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনরিবা থৌরাং অদুদা অকায়বা থোক্কনি।

সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বসার অল-অসাদনসু থা ১৫ শুরবা ঈহৌ অসিবু নমথনবগীদমক্তা মিলিটরিগী ওইবা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎলিবনি হায়রি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা লিবিয়াদা ফাজিন্দুনা উকিল থাদোক্লবা তকশিনখ্রে

কেনবেরা, জুন ১৮ঃ ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর বোবকারনা লিবিয়াদা খোঙজং পাঙথোক্তুনা ফাজিন্দুনা থমখ্রবা ইন্টরনেশনেল ক্রিমিনেল কোর্টকী ষ্টাফপু থাদোক্লবগী ৱাফম তকশিল্লগনি হায়না পাউ ওইবা সোর্স অমনা ফোঙদোক্লি।

লিবিয়ানা ফাজিন্দুনা লৈরিবা ইন্টরনেশনেল ক্রিমিনেল কোর্টকী ষ্টাফশিং অদুগী মনুংদা ওষ্ট্রেলিয়ন লোয়র মেলিন্দা টেলর য়াওরিবনি।

গ্লোবেলগী ওইনসু লিবিয়াগী মথক্তা থাদোক্লনবগী অকনবা প্রেশর পীবা লৈরিবনি।

জুনগী তাং ৭ তা জিন্টান টাওনদা ওষ্ট্রেলিয়াগী লোয়র মেলিন্দা টেলর অমদি লেবাননদা পোকপা ইন্টরপ্রেটর হেলেনে অসাফপু ফাজিন্দুনা থল্লিবনি।

মখোয়শিং অদুবু সাইফ অল-ইস্লাম গদ্দাফিদা দোক্যুমেন্টশিং স্মগ্লিং তৌই হায়না মরাল শীবা লৈরিবনি।

সাইফ অল-ইস্লাম গদ্দাফি মমাঙদা দিক্টেটর ওইরম্বা মুঅম্মর গদ্দাফিগী মচানুপানি। মখোয়গা লোয়নননা চৎমিন্নখিবা আই সি সি দেলিগেশন ওইরিবা মীওই অনী অমসু টেলর অমদি অসাফকা লোয়নননা ফাজিন্দুনা থল্লি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিয়ুদদি মিষ্টর টেলরবু কন্সুলরগী ওইনা চঙফম থোকপগী অয়াবা অদু পীফম থোকই হায়না হায়রিবনি। মহাকপু মখা তানা ফাজিন্দুনা থম্বগী মথৌ তাদে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর বোবকারনা লিবিয়াদা খোঙচৎ পাঙথোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হেগতা লৈরিবা আই সি সি, যু এন সেক্যুরিটি কাওন্সিল, নেটোগী হেদ অমদি রাইট গ্রুপশিংনা লিবিয়াবু আই সি সিগী দেলিগেট অদু থাদোক্লনবগী ৱাফম তকশিনখিবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা লিবিয়াগী প্রোজিক্যুটরনদি টেলর অমদি অসাফপু নুমিৎ ৪৫ নিগী মতম ওইনা ফাজিন্দুনা থম্নীংবগী অপাম্বা উৎখিবনি। মখোয়না সাইফ অল-ইস্লামদা চেচাংশিং পীথোক-পীশিন তৌবা লৈরিবা ৱাফম অদু থীগৎকনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকপা লৈরিবনি।

নেপালগী কোনুং কাথমন্দুদা পাঙথোকপা অন্দলন অমদা ওপ্পোজিসন নেপালি কংগ্রেসকী সপ্পোর্টরশিংনা খোল্লাউ লাউরি